# শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রাজাপক্সাগী পার্টি পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি ওইদ্রে অনৌবা ফাইনান্স মিনিষ্টর রিজাইন তৌখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট গোটাবিয়া রাজাপক্সাগী রুল্লিং পার্টি শ্রীলঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এসএলটিপি) গী এমপি ৪২ না মখোয় ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ফম্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি ওইদ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এমপি ৪২ গী মনুংদা ১৪ দি শ্রীলঙ্কা ফ্রিদম পার্টিদগীনি, তরানা গভর্ন-মেন্টগী কন্সটিটুএন্ট পার্টিশিংদগীনি অমসুং ১২ না এসএলপিপিগী এমপিশিংনি।

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মেম্বর ২২৫ লৈবা পার্লিয়ামেন্টদা এসএলপিপিনা লুচিংবা রুল্লিং এল্লাইয়ন্সনা সিট ১৪৬ ফঙখিবনি। মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা থোরকখিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমনা মরম ওইদুনা শ্রীলঙ্কাদা কাংখোং চাইবগী ফিভম অমা লৈরিঙৈ মরক্তা খোঙথাং অসি লাকপনি।

শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না লৈবাক শিনবা থুঙনা গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা রাজাপক্সানা মহাক রিজাইন তৌরে। তৌইগুম্বসুং পার্লিয়া-মেন্টদা সিট ১১৩ লৈবা পার্টিদা গভর্নমেন্ট শিন্নবা মহাক্না শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক শিনবা থুংনা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চত্থরিঙৈ মরক নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্না পোলিটিকেল মীটিং কয়া পাঙথোকখি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা মীয়াম্না প্রসিদেন্ট অমসুং গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখি।

ময়াম্বা মহিন্দ্র রাজাপক্সাগী গভর্নমেন্টতা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরম্বা গোটাবয়া রাজাপক্সানা তামিল লালহৌবশিংগী মায়োক্তা শোক্লরমখিবা চহী ২৬ শুরক্লবা লান লোইশিলহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

কুমজা ২০১৯ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা ভোট মিলিয়ন ৬.৯ গা লোয়ননা শরুক অহুম থোকপগী অনীদি মেজোরিটি ফঙদুনা মহাকপু ইথৎ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট খনখি। দোল্লর রিজার্ব লৈরক্তবা অমদি দিপ্রিসেসন্না নমদুনা শেল থুমগী অচৌবা ক্রাইসিস অমা থোকহল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ফ্যুএল, এলপিজি, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙলকখিদবনি। অসিগুম্বা শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অসিদা রাজাপক্সানা খুদক্তা পৱার থাদোক্লবা মীয়াম্না দিমান্দ তৌখি।

চৈরকসিদা শ্রীলঙ্কাগী নৌনা এপোইন্ট তৌখিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর অলি সাব্রি মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট মতুং পুং ২৪ ফাদবা মতমগী মনুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিজাইন তৌখ্রে।

সাব্রিনা ফোঙদোকখিবদা মরক্কী থৌরাং অমা ওইনা মহাক্না পোর্টফোলিও অদু য়াখিবনি। করিগুম্বা প্রসিদেন্টনা হৌজিক লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টগী মপানদগী ক্রাইসিসকী ফিভম অদু হেন্দল তৌবা ঙম্বা মতিক চাবা মীওই অমা খনবা পাম্লবদি মহাক পার্লিয়া-মেন্টরি সিটতগী রিজাইন তৌনবসু শেম শারি। লোকেল মিদিয়াদা ৱা ঙাঙখিবা সাব্রিনা মহাক্না ফম থাদোক্লিবা অদুনা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট আম লিংনবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিংগী পাউখুম ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা শ্রীলঙ্কান কেবিনেটনা মখোয়গী পোজিসনশিংদগী রিজাইন তৌরগনি হায়না লাউথোরকখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা অতৈ অনৌবা মিনিষ্টর অহুম ৱাশক লৌখিবনি।

শেল থুমগী ক্রাইসিস, মৈ ফঙদবগী ফিভম অমদি ফ্যুএল অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙদ্রিবদু সোল্ব তৌনবা গভর্ন-মেন্টনা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না নুমিৎ কয়া লেপ্তুনা অকনবা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা কাংখোং চাইবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।



# ‘ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী লৈখিবা থাউ খজিক্তনি, ইনর্জি পেমেন্টশিং অথিংবশিংনা কোনশিন্দে’

ৱাশিংতন, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
রসিয়াদগী থাউ লৈবগীদমক্তা য়ুএস মিদিয়া সেক্সন খরা অমদি পোলিটিসিয়ন খরনা ইন্দিয়াবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌরিঙৈ মরকসিদা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী স্পোক্স পার্সন জেন পাসাকিনা হিরম অসিগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা হায়খ্রে, মদুদি ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী থাউ ইম্পোর্ট তৌখিবা অদু য়াম্না য়ামদে অমসুং ইনর্জি পেমেন্টশিং য়ুএসকী অথিংবশিংনা কোন্দে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱাশিংতনদা ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী থাউ ইম্পোর্ট তৌখিবগী মতাংদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না ক্লারিফিকেসন অসি পীরি। মদুদি ইন্দিয়ানা ইম্পোর্ট তৌখিবা রসিয়ন ইনর্জিগী চাং অদু মখোয়গী অপুনবা ইনর্জি ইম্পোর্টশিংগী চাদ অমদগীনা অনী ফাওবদনি।

রিপোর্ট খরগা মরী লৈননা গভর্নমেন্টনা মখা তানা ক্লারি-ফিকেসন অসি পীরি মদুদি ইনর্জি পেমেন্টশিং য়ুএসনা লাউথোকখিবা অথিংবশিংনা শোক্লিংঙাই ওইদে। মসি ইন্দিভিজুএল লৈবাকশিংনা লৌখিবা ৱারেপনি। মহাক্না ৱাফম অসি পাউমী অমনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং থম্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌজিক্কী অথিংবশিং অসি নমদুনা ঙাকহন্নবা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াদা হেন্না কনবা প্রেসর পীগদ্রা হায়না পাউমী অদুনা হংখিবনি।

ইন্দিয়াগা মান্নদ্রিবদি জমর্নিনা লৈবাক অসিগী গ্যাসকী মথৌ তারিবা চাং অপুম্বগী চাদ ৫৫ রোম রসিয়াদগী ইম্পোর্ট তৌবদা নত্তনা কোয়লাসু রসিয়াদগী লৈ।

তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়াবু চৈ থাংলিবা অসিগুম্বা জমর্নিদা য়ুএস মিদিয়া অমদি লো মেকরশিংনা চৈ থাংবা লৈতে। রসিয়াদগী ইনর্জি ইম্পোর্ট তৌরিবা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংসু খুদক্তা ইম্পোর্ট লেপকদবনি হায়বা লৈরবসু য়ুএস মিদিয়ানা ক্রিটিসাইজ তৌদে।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাং অমদি চাইনাগী ইথিল হন্থহন্নবা ইন্দিয়ানা থেংখাং কয়াদা হোৎনরিবশিং য়েংদুনা ন্যু দিল্লিনা য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা ন্যুত্রেল ওইনা লৈরবসু ৱাশিংতন্না ইন্দিয়াবু শৌগৎলিবনি।

পাসাকিনা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী থাউ লৈবা মথৌ তাহল্লিবদু য়ারিবমখৈ হন্থনবগীদমক্তা য়ুএসকী দিপ্যুটি নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর দলিট সিংহনা ইন্দিয়াদা মতেং পাঙগে হায়না ওফর তৌবা লৈখ্রে।




# ‘জমর্নি অমসুং ফ্রান্সনা রসিয়ন দিপ্লোমেট কয়া তান্থোক্কদৌরি’

বর্লিন, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
জর্মন গভর্নমেন্টনা রসিয়ন দিপ্লোমেট ৪০ লৈবাক অসিগী অনিংবা অপাম্বশিংগী মখা পোন্না মখা তানা লৈবদা মতিক চাদ্রে হায়না জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর এনালেনা বেরবোক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দিপ্লোমেটশিং অদু অথুবা মতমদা জমর্নি থাদোক্লবা খঙহল্লগনি হায়রি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী রিএক্সন ওইনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুরোপিয়ন পার্টনরশিংনা মান্নবা খোঙথাংশিং থাংলকখিবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা জর্মন গভর্নমেন্টনসু ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

জমর্নিনা লাউথোকখিবা অসিগী মতুং মথং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা ফ্রান্সনসু জোইন্ট য়ুরোপিয়ন এক্সনগী শরুক অমা ওইনা রসিয়ন দিপ্লোমেট ৩৫ তান্থোক্লগনি হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা লিথুএনিয়ানা রসিয়ন এম্বেসেদর তান্থোকখিবনি। রসিয়ন ফোর্সশিংনা কিভকা নক্লনা লৈবা য়ুক্রেনগী বুচা টাউনদা সিভিলিয়নশিংবু তমথীবা মওংদা হাৎপনচিংবা ৱার ক্রাইমশিং চত্থখি হায়না মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকনবা মওংদা রসিয়াবু ক্রিটিসাইজ তৌরিঙৈগী মরক্তা ৱা ঙাঙখিবা জমর্নিগী বেরবোক্না হায়খি, মদুদি ক্রেমলিনন য়ুক্রেনদা মীওইবগী থাজবগী ৱাংমদা মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদবা থৌওং কয়া চত্থখিবগী পাউখুম ওইনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

বুচাদগী লাকপা ইমেজশিংদা রসিয়ন লিদরশিপকী মীনুংশি চেন্দবা তমথিবা ৱাখল্লোন অদু ময়েক শেংনা উৎলি।

অমরোমদা, জমর্নিনা রসিয়ন দিপ্লোমেট কয়া তান্থোক্লবা ৱারেপ লৌরিবসি মরুপ মপাঙ ওইবগী ৱাখল্লোনগী মায়োক্তনি অমসুং মসিনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না শোকহল্লগনি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রেন্স ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ফ্রান্সনা ঙসি নুমিদাং লৈবাক অসিদা লৈরিবা রসিয়ন দিপ্লোমেট কয়ামরুম তান্থো-ক্লবা ৱারেপ লৌরে। মখোয় ঐখোয়গী সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা থবক তৌবশিংনি।



# হায়বা ইন্দবা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান য়ুএসনা চৈরাক পীনবা হোৎনখি: রসিয়া

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিস্থানগী মনুংগী ওইবা এফেয়র্সতা অমুক হন্না ইকায়বা নাইদনা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনখিবগী থৌওং রসিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়বা ইন্দবা ইমরান খানবু ৱাশিংতন্না চৈরাক পীনবা হোৎনখি হায়খ্রে।

রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সকী স্পোক্সপার্সন মারিয়া জাখারোবাগী ৱারোল পল্লদুনা পাকিস্থানি পাউচে দোনগী রিপোর্টনা হায়, নোংমাইজিং নুমিত্তা ইমরান খানগী এদভাইসতা পাকিস্থানগী প্রসিদেন্ট অরিব অলবিনা নেসনেল এসেমব্লি মুথৎখিবা অমদি মদুগী মমাঙগী থৌদোকশিং রসিয়ানা কুপ্না য়েংশিনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৩-২৪ দা চৎখিবা ইমরান খানগী মোস্কো খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লগনি হায়না হেক লাউথোকখিবগা য়ুএস অমসুং মখোয়গী নোংচুপলোমগী পার্টনরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর খানদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি। মখোয়না খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌনবা তকশিনখি।

তৌইগুম্বসুং খাননা খোঙচৎ অদু কায়দনা পাঙথোক্তুনা মোস্কোদা লাকখিবা মতমদা য়ুএসকী সেনিয়র ওফিসিএল দোনাল্ড য়ুনা ৱাশিংতনদা লৈবা পাকিস্থাননি এম্বেসেদরদা কোল তৌখি অমসুং খোঙচৎ অদু খুদক্তা লেপহন্নবা দিমান্দ তৌখি। ৱাফম অদু পাকিস্থাননি এম্বেসেদর অদুনা খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি।

জাখরোবানা মখা তানা হায়, পাকিস্থাননি মিদিয়াগী মতুং ইন্না চহী অসিগী মার্চ ৭ তা পাকিস্থাননি এম্বেসেদর অসাদ মাজিদকা ৱারী শান্নবদা অৱাংবা থাক্কী অমেরিকান ওফিসিএল অমনা য়ুক্রেনদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা পাকিস্থাননি লিদরশিপনা উৎলকখিবা বেলেন্স রিএক্সনবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি অমসুং য়ুএসকা পাকিস্থানগা পার্টনরশিপ ওইনা থবক তৌমিন্নবা হায়বসি ইমরান খানবু পৱারদগী লৌথোক্লবা মতমদতা ওইথোক্কনি হায়খি। ফিভম অদুগী মখা তারকপা দিভলপ-মেন্টশিংদগী য়ুএসনা হায়বা ইন্দবা ইমরান খানবু চৈরাক পীনবা ৱারেপ লৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

য়ুএসকী ৱারেপ অসিগা ইরোয়ননা রুল্লিং পিটিআইগী লো মেকর কয়ানা ওপোজিসনদা য়াওশিন্দুনা পার্লিয়ামেন্টদা সম্মিট তৌখিবা নো কনফিদেন্স মোসন শৌগৎখি হায়নসু রসিয়ন ওফিসিএল অসিনা পনখি।

ওফিসিএল অসিনা মখা তানা হায়, য়ুএসকী অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈবাক অসিনা মশাগী ওইজবা থীবদা নিংতম্বা ষ্টেট অমগী মনুংগী ওইবা এফেয়র্সতা ইকায়বা নাইদনা খুৎ থিংজিন্নবা নৌহৌননা হোৎনবনি। মথক্তা পল্লিবা অশেংবা থৌদোকশিং অসিনা য়ুএসনা পাকিস্থানগী মনুংগী ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনৈ হায়বসি মতিক চানা প্রুফ তৌজরে।

পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্লসু মহাক্কী মায়োক্তা লৌতুনরিবদু মপানগী থৌইন-শিন্দগীনি অমদি মপানদগী ফাইনান্স তৌখিবনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

মীখলগী মতম লাকপদা ৱাফমশিং অসিনা পাকিস্থাননি ভোটরশিংদা শোয়দনা নীংথিনা খঙহনগনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ। মীখল অসি নেসনেল এসেমব্লি মুথৎলবা মতুং নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না রসিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সকী স্পোক্স পাসর্ন অসিনা ফোঙদোকখি।

য়ুএসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর সাউথ এসিয়া দোনাল্ড লুবু মহাক্কী রেজিমগী মরমদা অকিবা পোকহনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা ওফিসিএলনি হায়না ইমরান খাননা ফোঙদোকখিবা মতুংদা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসিনা ষ্টেটমেন্ট অসি থোরকপনি।

য়ুএসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা ইখিবনি হায়বা খানগী রেজিম্বু কিহনখিবা লেটর অদু হৌখিবা থাদা ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা উৎখি।

মহাক্কী মায়োক্তা পুখৎলিবা নো কনফিদেন্স মোসন অদু মহাকপু লৈঙাক্কী পৱারদগী লৌথোক্লবা মপানদগী লৌতুনরকপা অমগী শরুকনি হায়না খাননা ফোঙদোকখিবনি।



# মরিওপোলদা মীওই ১৩০,০০০ পন্দুনা লৈরি: মেয়র

কিভ, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
মার্চ ১ দগী রসিয়ন ব্লোকেদ লৈরকখিবা য়ুক্রেনগী লাঙ্গোই চল্লবা সিটি মরিওপোলদা হৌ-জিকসু য়ামদ্রবদা মীওই ১৩০,০০০ পন্দুনা লৈরি হায়না সিটি অসিগী মেয়র ভাদিম বোইচেনকোনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মেয়র অসিনা হায়খি, মদুদি সিভিলিয়ন ১৩০,০০০ হৌজিকসু মরিপোলদগী থোকপা ঙমদনা লৈরি। য়েক্লবনা ঐখোয়গী ম্যুনিসিপাল বস পুম্নমক অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। অহানবদা বস ১৫০ লৈরম্মী। মদুগী মতুংদা ১০০ দা হন্থখি অমসুং মথংদা ৫০ দা হন্থরবা মতুং হৌজিক্লা সিভিলিয়নশিং হোন্নবা বস অমত্তা লৈত্রে, খুদিংমক মাঙ তাকখ্রে। মার্চ ১৩ দগী সিজ ফায়র চৎনবা লৈত্রবসু ঐখোয়না হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর অমা হাংবা ঙমখি।

মসিনা প্রাইভেট কারশিং তোংলিবা মীওইশিংবু সিটি অসি থাদোক্তুনা ভর্দিয়েন্সতা চৎপা য়াহল্লি। ঙসিগী লম্বী অসি মখা তানা ওপরেট তৌরি।

তৌইগুম্বসুং মরক মরক্তা অপনবা থোক্লি। ভর্দিংসতগী জাপোরিজিয়া য়ৌবা কোরিদোরসু মথৌ তৌরি। তৌইগুম্বসুং চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা খরদি থেংনরি। মেয়র অসিগী মতুং ইন্না মরিওপোলগী মীওই ৯০,০০০ রোম ব্লোকেদ তৌরবা ইষ্টর্ন সিটি জা-পোরিজিয়া থাদোক্তুনা চৎপা ঙমখি। মখোয় ভর্দিয়ন্স ফাওরগা চৎখিবনি। মরিওপোলগী রেসিদেন্ট ৭০,০০০ রোম হৌজিক জাপোরিজিয়াগী অকোয়বদা লৈবা ভিলেজশিংদা লৈরি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা সিটি অদুদা মতেং পীবা থিংবদা নত্তনা মখোয়না অৱাবা তারবশিংদা য়েন্থোক্লবা থম্বা রিলিফ মেটরিএলশিংসু হুরানখি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

মেয়র অসিনা মখা তানা হায়, জাপোরিজিয়া রিজনগী বাসিলিদকা ভিলেজতা হৌজিক য়ামদ্রবদা বস ১৫ পন্দুনা লৈরে। বসশিং অদু রসিয়ন ব্লোকেদ লান্দনা মরিওপোল য়ৌবা ঙমদ্রে।

মেয়র অসিগী ৱারোল পল্লদুনা উক্রায়িন্সকা প্রাভদানা হায়, মরিও-পোলদা লৈরিবা সিভিলিয়নশিং মপুং ফানা থোকহনখিবা য়ানবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা অমত্তা ওইবা ফিরেপকা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎপীনবা ঐখোয়না হায়জরি।

মার্চ ১ দা মরিওপোলদা রসিয়ন ব্লোকেদ হৌখিবদগী ষ্ট্রেটেজিক য়ুক্রেনিয়ন পোর্ট সিটি অসিদা মীওই লিশিং মঙা হাৎখ্রে অমসুং মীওই ১,৫০,০০০ শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে।

প্রিলিমিনরি ইষ্টিমেটকী মতুং ইন্না সিটি অসিগী অৱাংবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিংগী চাদ ৯০ অমাঙ অতা থোকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা চাদ হায়বদি এপার্টমেন্ট বিল্ডিং ১৫৬০ রসিয়ন মিসাইলশিং, বোমশিং অমদি আর্টিলরিনা হকথেংননা হিট তৌখি। চাদ ৪০ হায়বদি বিল্ডিং ১০৪০ মপুং ফানা মাঙ তাকহনখি। য়ামদ্রবদা প্রাইভেট রেসিদেন্টস ৬১,২০০ মাঙ তাকখ্রে। পুন্না হোস্পিটাল তরেৎসু রসিয়ন মিসাইল, বোম নত্রগা আর্টিলরিনা হিট তৌখি।

সিটি অদুদা ঈশিং, লাইট, হিট নত্রগা কম্যুনিকেসনগী পাম্বৈ অমত্তা লৈতবদগী মীয়াম্না সিটি অসিবু মপুং ফানা থাদোক্লবা মার্চ ২৮ দা মেয়র অসিনা আপিল তৌখিবনি।

রসিয়ানা হৌজিক য়ুক্রেনদা লা-ন্দারিবা অসিদা মরিওপোল অসি য়াম্না মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিক সিটি অমা ওইরি। করিগুম্বা সিটি অসি রসিয়ন ফোর্সশিংগী মখুৎতা তাখিবা তারবদি মদুনা রসিয়াবু য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা পোর্টশিংগী মনুংদা অমা কন্ট্রোল তৌহনবগা লোয়ননা ক্রেমিয়া অমদি রসিয়ানা শৌগৎপা লুহান্স অমসুং দোনেটস রিজনশিংগী মরক্তা লেন্দ কোরিদোর অমা লৈহল্লগনি।



# পুং ২৪ গী মনুংদা সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা কোরোনা ভাইরস কেস ২৬৬,১৩৫৪ থেংনখ্রে

সিওল, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কোভিদ ১৯ কেস ২৬৬,১৩৫ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ১৪,২৬৭,৪০১ য়ৌরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হেল্‌থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কোরিয়া দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সি (কেদিসিএ) গী মতুং ইন্না নোংমদা থেংনবা কেস মশিং অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা ১২৭,১৯০ ওইখিবদগী হেনগৎলকপনি।

তৌইগুম্বসুং পুং ২৪ গী মনুংদা থেংনবা অনৌবা কেস মশিং অসি চয়োল অমগী মমাঙদা থেংনখিবা ৩৪৭,৪৯০ দগীদি হন্থখি। য়াম্না লৌনগল্লবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অমসুং মসিগী সব ভেরিয়েন্ট বিএ.২ শন্দোরকপা অসিনা হন্দক্তা লৈবাক অসিদা মরু ওইনা সিওল মেট্রো পোলিটান এরিয়াদা কোরোনা ভাইরস কেস মশিং খঙৱাং ৱাংলকখিবনি।

অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ৫১,৫০০ দি সিওলদা লৈবা মীওইশিংনি। গ্যিউংগি প্রোভিন্স অমসুং নোংচুপ থংবা পোর্ট সিটি ইঞ্চিওনদা নৌনা থেংনরিবা কোভিদ পোজিটিব ওইরবা মীওই মশিং অসি মথঙ শিংনা ৬৯,৩৬২ অমসুং ১৫,৩৫৪ নি।

ভাইরস অসি নন মেট্রোপোলিটান রিজনদসু য়াঙনা শন্দোরক্লি। নন কেপিটেল এরিয়াশিংদা থেংনরিবা অনৌবা ইনফেক্সন মশিং অসি ১২৯,৮৯২ নি নত্রগা অপুনবা লোকেল ট্রান্সমিসনগী চাদ ৪৮.৮ নি। অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ২৭ তি মপানদগী চঙলকপশিংদা থেংনবনি।

মসিগা লোয়ননা সিটি অসিদা অপুনবা কেস মশিং ৩১,২৩৭ য়ৌখি। অরুবা কন্দিসনদা ইনফেক্সন লৈরিবা মীওইশিংগী মশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা ১১২১ শুদুনা ১৩ হেনগৎখি।

ইনৌ নৌনা অহেনবা মীওই ২০৯ শিখিবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং ১৭,৬৬২ য়ৌরে। লৈবাক অসিদা কোভিদ ১৯ না শিহনবগী চাং অসি চাদ ০.১২ নি। সাউথ কোরিয়াদা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন দোজ ২ কাপ্লবা মীওইশিংগী মশিং অসি ৪৪,৫০২,০০৭ নত্রগা অপুনবা মীশিংগী চাদ ৮৬.৭ নি অমসুং বুষ্টর দোজ কাপ্পা মীওইশিংগী মশিংনা ৩২,৮২৮,৩৭২ নি নত্রগা অপুনবা মীশিংগী চাদ ৬৪ নি।



# ‘পিওংয়াংনা সিওলদা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপ্লোই’

পিওংয়াং, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
পিওংয়াংগী হৌজিক লৈরিবা ন্যুক্লিয়র কম্বেট ফোর্সকা মরী লৈননা চাওথোক্লা ঙাঙলদুনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মচননুপী কিম য়ো-জোংনা হায়খ্রে, মদুদি পিওংয়াংনা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা নোংমৈ মরু নত্রগা সেল অমত্তা কাপ্লোই। মসিগী মরমদি মখোয় ঐখোয়গী আর্মদ ফোর্সেসকা লাম্বা তৌনবা য়াই হায়না ঐখোয়না খন্দবদগীনি।

কিম য়ো-জোংনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবসি হৌখিবা চয়োলদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স চীফনা ৱা ঙাঙবদা মহাক্কী ট্রুপশিংনা য়েক্লবশিংগী মায়োক্তা প্রি ইমটিব ষ্ট্রাইক চত্থবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোকখিবগী পাউখুম ওইননি।

নুমিৎ নীনিগী অনীশুবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট পীরদুনা কিম য়ো-জোংনা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স চীফনা ইফোঙ ফোঙনা ফোঙদোকপগী ৱাফম পল্লদুনা পিওংয়াংগী ন্যুক্লিয়র কম্বেট ফোর্সকী মরমদা বোষ্ট তৌখিবনি। পিওংয়াংগী ওফিসিএল কোরিয়ন ন্যুজ এজেন্সিনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কনামত্তনা ঐখোয়দা কায়হৌবা তৌদ্রবদি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু কনামত্তদা খুৎ থারোই।

ঐখোয়না সাউথ কোরিয়ারোমদা নোংমৈ মরু নত্রগা সেল অমত্তা কাপ্লোই। মসি মখোয়বু ঐখোয়গী আর্মদ ফোর্সেসকা লম্বা তৌনবা য়ারোই হায়না ঐখোয়না খনবদগীনি।